# ওলিম্পিক্সকী ভেন্যুশিং চাদা ৮০ সিক্যুওর ওইরে : সী ঈ ও




টোকিও, জুন ১২ (এজেন্সী):
চহীসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ওলিম্পিক গেমস কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেংনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা য়েথোকখিবনি।

গেমস অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর টোসিরো মুটোনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২১দা নৌনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী শান্নফমশিং অদুগী চাদা ৮০ সিক্যুওর ওইরে হায়না পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

টোসিরো মোটোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাঙদা লেপ্লম্বা শান্নফমশিং অদু অয়াম্বা শীজিন্নগদৌরিবনি। অনৌবা নেসনল ষ্টেদিয়মসু মথং চহীগী ওলিম্পিক গেমস অসিদা শীজিন্ননবা সিক্যুওর তৌবা য়াওখি। লোয়ননা অতোপ্পা ফেসিলিটি খরসু ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা লৌশিন্দুনা শীজিন্ননবা হোৎনরি হায়রি।

মহাক্না মখা তারদুনা মথং চহীগী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি চাদা ১০০ শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়বদি ঙমদে। অদুবু হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফীভম অসি য়েংলগা অমদি তুংদা লাক্কদৌরিবা মতমদা লৈঙাক অমদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংগা মরু ওইনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমসুং ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলগী মায়কৈদগী পীরকপা গাইদলাইনশিং অদুসু ইনগদৌরিবনি।

জপান লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লাম্ন্থেংনবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসি মপূং ফানা মায় পাক্লবদি ২০২১ টোকিও ওলিম্পিক্স গেমস পাঙথোকপগী চাউনা থাজবা লৈ। টোকিও মেত্রোপোলিটান লৈঙাক্না শগোলশেল নুমিৎতা হান্না থল্লম্বা 'টোকিও এলর্ট' লৌথোকখ্রে। লোয়ননা সিটি অদুদা ঙসি তোঙান তোঙানবা লল্লোন ইতিক্কী হীরমশিংদসু থল্লম্বা অথিংবশিং অদু কোমথোকপা হৌখ্রে হায়রি।

জপান লৈবাক খক্তা নত্তনা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাশিংদসু লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্দ্রিবা ফাওবদি ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপগী খুদোংচাবা অসি হন্থগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়ানা জিম্বাবৱেদা শান্নগদবা ক্রিকেট টুর মতম কক্তনা য়েথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১২ (এজেন্সী):
বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না লৈবাক অসিগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ওগষ্ট থাদা জিম্বাবৱেদা চৎতুনা অতেনবা ক্রিকেট টুর অমা শান্নগনি তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়েথোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাংসু শ্রী লঙ্কা ক্রিকেটনা লৈবাক অদুদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা জুন-জুলাই থাদা শান্নগনি তৌরম্বা টুর অদুসু য়েথোকখ্রবনি।

ঙসি বি সী সী আইগী সেক্রেটরি জে সহানা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিনা মায়োক্নরিবা অমদি অতোপ্পা মালেমগী মফমশিংদসু থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং অসি য়েংলুরগা ক্রিকেট টুরশিং অদু য়েথোকপনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা মমাঙদা শ্রী লঙ্কাদা থা অসিগী ২৪দগী হৌরগা ৱান দে মেচ অহুম অমদি টি-২০ মেচকী সেরিজ অমা শান্নগনি হায়না তৌরম্বনি। লোয়ননা জিম্বাবৱেদনা ওগষ্ট ২২দগী ৱান দে মেচ অহুমগী সেরিজ অমা শান্নগনি হায়না মতম লেপ্লম্বনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌজিকফাওবা ত্রেনিং চথবা লৈত্রি। জুলাই থাগী মমাঙদা ত্রেনিং পাঙথোকপা য়াগদবা মান্দে। লোয়ননা শান্নরোয়শিং অসিনা মেচ অমগীদমক মপূং ফানা শেম শানবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা চয়োল তরুকলোম চঙগনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না পীরিবা হকশেলগী কাঙলোনশিং অদুগী মতুংইন্না থবক পায়খৎকনি হায়রি।

# ক্লব/এসোসিএসনশিংনা শরুক য়াগদবা দিভিজনশিংগী মীং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা ক্লব/এসোসিএসনশিংগী কুমজা ২০২০-২১ সিজন অসিগী ওইনা শরুক য়াগদবা দিভিজনশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

সুপর দিভিজন্দা শরুক য়াগদবশিং অদুদি এস কে ৱাই সী, সী ঐচ আই কে এল, ৱাই দি ও, ৱাই দব্লিয়ু সী (এল), পি এ এম ৱাই এ এল অমদি দব্লিয়ু এ এফ এনি।

ফর্ষ্ট দিভিজন্দা শরুক য়াগদবশিং অদুদি ৱাই এ সী, এন সী ক্লব, থাও, জি সী- সী আর পি এফ, এস সী কে, ৱাই য়ু সী, এস এফ সী অমসুং বি এম এস সীনি।

সেকেন্দ দিভিজন্দা শরুক য়াগদবশিং অদুনা এস দি সী, ৱাই দব্লিয়ু সী, আই এফ সী, এস ৱাই পি এ, কে ৱাই সী (এন), জুবেনাইল, সিকো অমদি কে এ এননি।

ৱাইহৌবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিংনা থর্দ দিভিজন লীগতা শরুক য়াগনি হায়না আই দব্লিয়ু দি এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ ঐচ চেতননা প্রেসতা থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমদা খঙহল্লক্লি।

স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# থা অহুমগী মতুংদা স্পেনগী লা লীগা ঙরাং নৌনা হৌখ্রে, সিবিলানা রিএল বেটিসপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে



মাদ্রিদ, জুন ১২ (এজেন্সী):
য়ুরোপকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা স্পেনগী লা লীগা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থা অহুম শান্নরুদ্রবা মতুং ঙরাং ভাবক য়াওদবা ষ্টেদিয়মদা লীগ অসি মখা চথবা হৌখি। সিবিলা ফুটবোল ক্লবনা ঙরাংগী মেচ অদুদা রিএল বেটিসপু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

স্পেননা য়ুরোপকী ওইনা অনীশুবা লৈবাক ওইনা মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা ঙমখি। মখোয়গী মাঙওইননা জর্মনিদা বুন্দেসলিগা মখা চথবা হৌখ্রবনি। মথংগী চয়োলদা ইংলেন্দগী প্রেমিয়র লীগ অমসুং ইটালিগী সেরি এসু পাঙথোক্লগনি।

স্পেন্দা তশেংনমক ফুটবোল মশান্না অসি য়ূমশকৈশা নুমিৎতা সেকেন্দ দিভিজন গেমনা হৌখিবনি। অদুবু ঙরাং শান্নখিবা অদুনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টনি।

ফুটবোল মেচ অদুদা ষ্টেদিয়ম অদু ভাবক অমত্তা লৈহনখিদে। কাঙলোনগী মতুংইন্না বোল খুল্লিবা নহাশিং অদুনা ফিল্ডদগী নাম্থোরকপা বোলশিং অদু দিসইনফেক্ট তৌই। রেফরিগা ৱারী শানবদসু সেফ দিষ্টেন্স ঙাক্না চৎলি। লোয়ননা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপদা কোন্নবা অমদি থেংনবগী চাং হন্থহন্নবা হায়খিবনি।

ঙরাংগী মেচ অদু হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা হৌখিবা মার্চ থাদা লেপখিবা লীগ অসিগী রাউন্দ ২৭ শান্নবা লোইশিনখ্রবনি। মদুদা সিবিলাগী টিম পোইন্ট ৪৭ ফংদুনা বার্সেলোনা অমদি রিএল মাদ্রিদকী মথংদা অহুমশুবদা লৈখি। অদুগা রিএল বেটিস পোইন্ট ৩৩ ফংলগা ১২শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। ভাবক লিশীং ৪৩ চনবা রোমান সাঞ্চেজ কিজৱান ষ্টেদিয়ম অদুদা মাঙজৌননা রেকোর্দিং তৌদুনা গোল চনবগী মতমদা থাদোকখি।

শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা পেনালটি অমদা সিবিলাগী লুকাসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ৬২শুবা মিনটতা লুকাসনা পীবা বোল অমদা টিমমেট ফর্নান্দেনা পাঞ্জল চল্লগা রিএল বেটিসপু ২-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Barcelona | 27 | 18 | 4 | 5 | 63 | 31 | +32 | 58 |
| 2 | Real Madrid | 27 | 16 | 8 | 3 | 49 | 19 | +30 | 56 |
| 3 | Sevilla | 28 | 14 | 8 | 6 | 41 | 29 | +12 | 50 |
| 4 | Real Sociedad | 27 | 14 | 4 | 9 | 45 | 33 | +12 | 46 |
| 5 | Getafe | 27 | 13 | 7 | 7 | 37 | 25 | +12 | 46 |
| 6 | Atlético Madrid | 27 | 11 | 12 | 4 | 31 | 21 | +10 | 45 |
| 7 | Valencia | 27 | 11 | 9 | 7 | 38 | 39 | −1 | 42 |
| 8 | Villarreal | 27 | 11 | 5 | 11 | 44 | 38 | +6 | 38 |
| 9 | Granada | 27 | 11 | 5 | 11 | 33 | 32 | +1 | 38 |
| 10 | Athletic Bilbao | 27 | 9 | 10 | 8 | 29 | 23 | +6 | 37 |
| 11 | Osasuna | 27 | 8 | 10 | 9 | 34 | 38 | −4 | 34 |
| 12 | Real Betis | 28 | 8 | 9 | 11 | 38 | 45 | −7 | 33 |
| 13 | Levante | 27 | 10 | 3 | 14 | 32 | 40 | −8 | 33 |
| 14 | Alavés | 27 | 8 | 8 | 11 | 29 | 37 | −8 | 32 |
| 15 | Valladolid | 27 | 6 | 11 | 10 | 23 | 33 | −10 | 29 |
| 16 | Eibar | 27 | 7 | 6 | 14 | 27 | 41 | −14 | 27 |
| 17 | Celta Vigo | 27 | 5 | 11 | 11 | 22 | 34 | −12 | 26 |
| 18 | Mallorca | 27 | 7 | 4 | 16 | 28 | 44 | −16 | 25 |
| 19 | Leganés | 27 | 5 | 8 | 14 | 21 | 39 | −18 | 23 |
| 20 | Espanyol | 27 | 4 | 8 | 15 | 23 | 46 | −23 | 20 |

পোর্টুগিজ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# টোন্দেলানা এভিস ২-০দা থোইখ্রে, বেলেনেন্স অমদি ভিক্টোরিয়া দি গুইমারেজ পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



লিজবোন, জুন ১২ (এজেন্সী):
টিম ১৮না শরুক য়াদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থমখিবা লোকদাউন হাংদোক্নুনা পোর্টুগিজ ফুটবোল লীগ মখা তারকপদা ঙসি পোইন্ট টেবলগী শরুক অনী থোকপগী মমৈদা লৈরিবা টোন্দেলানা এভিসপু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে। অদুগা বেলেনেন্স অমদি ভিক্টোরিয়া দি গুইমারেজ পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী মাঙওইননা রাউন্দ ২৫ লোইশিনখিবদা টোন্দেলা পোইন্ট ২৬ ফংলগা ১৪শুবা পোজিসন্দা লৈখি। অদুগা এভিস ফুটবোল ক্লবকী মেচ ২৫দা শুপ্নগী পোইন্ট ১৩ খক ফংলগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেচ অসিগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ১১শুবা মিনটতা টোন্দেলাগী মায়কৈদগী জোৱা পেদ্রোনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট রোনান জিরোনিমোনা মেচ অদুগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমদুনা এভিস ফুটবোল ক্লবপু ১-০দা মাঙজিল থাখি।

রেলিগেসন জোনদা লৈরিবা এভিস ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা পূম্নমক মেচকী অহানবা হাফকী লেমহৌবা পুঙ্খাই অমা হেনবা মতম অদুদা ইক্কেলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শুপ্নগী মিনট ১২ চঙশিল্লকপা অদুগা অপূনবা মেচকীনা ৫৭শুবা মিনটতা অহানবা হাফতা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা টোন্দেলাগী মায়কৈদগী রোনান জেরোনিমোনা মহাক্কী টিমমেট রিচার্দ রোদ্রিগেজনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ২-০দা মাঙজিল থাখি।

মেচকী মখা তারকপদা টিম অনীগী মশান্নদা লেং মান্নরকপা মরমনা পাঞ্জল চন্নবগী খুদোংচাবা ফংদনা মেচ অদু টোন্দেলানা ২-০দা থোইখি। পোইন্ট ৩ হাপচিন্দুনা টোন্দেলা রাউন্দ ২৬ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২৯ ফংলগা হান্নগী ১৪শুবা পোজিসন্দগী হাইগৎপা ঙমদনা লৈরি।

ঙসি রেষ্টেলো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা ২৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ১৩শুবা পোজিসন্দা পোইন্ট ২৯ ফংলগা লৈরম্বা বেলেনেন্স অমদি তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈখিবা ভিক্টোরিয়া দি গুইমারেজকা লম্বা তৌনখি।

মেচকী হৌরকপা পুঙ্খাই ফাজিল্লক্কদবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। ২৮শুবা মিনটতা ভিক্টোরিয়া দি গুইমারেজগী দিফেন্দর ফলাই সাকোনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা বোলনা বেলেনেন্সকী পাঞ্জল ওইরগা ১-০দা হেনখি।

মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা ভিক্টোরিয়া দি গুইমারেজকী মায়কৈদগী ফ্লোরেন্ট হাননা পীরকপা বোল অমদা জোৱা কার্লোস টৈজৈরানা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Porto | 26 | 20 | 3 | 3 | 52 | 18 | +34 | 63 |
| 2 | Benfica | 26 | 19 | 4 | 3 | 54 | 16 | +38 | 61 |
| 3 | Braga | 25 | 14 | 4 | 7 | 43 | 29 | +14 | 46 |
| 4 | Sporting CP | 25 | 13 | 4 | 8 | 39 | 28 | +11 | 43 |
| 5 | Famalicão | 26 | 12 | 7 | 7 | 43 | 42 | +1 | 43 |
| 6 | Vitória de Guimarães | 26 | 10 | 9 | 7 | 43 | 28 | +15 | 39 |
| 7 | Rio Ave | 25 | 10 | 8 | 7 | 34 | 26 | +8 | 38 |
| 8 | Santa Clara | 26 | 9 | 7 | 10 | 24 | 30 | −6 | 34 |
| 9 | Moreirense | 25 | 8 | 9 | 8 | 35 | 32 | +3 | 33 |
| 10 | Gil Vicente | 26 | 7 | 9 | 10 | 26 | 33 | −7 | 30 |
| 11 | Vitória de Setúbal | 26 | 6 | 12 | 8 | 20 | 30 | −10 | 30 |
| 12 | Belenenses SAD | 26 | 8 | 6 | 12 | 22 | 39 | −17 | 30 |
| 13 | Boavista | 25 | 7 | 8 | 10 | 19 | 24 | −5 | 29 |
| 14 | Tondela | 26 | 7 | 8 | 11 | 22 | 30 | −8 | 29 |
| 15 | Marítimo | 26 | 5 | 10 | 11 | 23 | 34 | −11 | 25 |
| 16 | Paços de Ferreira | 25 | 7 | 4 | 14 | 21 | 36 | −15 | 25 |
| 17 | Portimonense | 26 | 3 | 11 | 12 | 19 | 36 | −17 | 20 |
| 18 | Aves | 26 | 4 | 1 | 21 | 23 | 51 | −28 | 13 |

# ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন কার্ষ্টেন ৱারহোমনা নুপাগী মিটর ৩০০গী হর্দল লমজেলদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে

ওস্লো, জুন ১২ (এজেন্সী):
নোর্ৱেদা পাঙথোক্কদবা এথলেটিক কম্পিটিসনশিংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরিবা দাইমন্দ লীগ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়েথোকখ্রবা মতুং ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা য়াম্না ইনোভেটিব ওইবা মওংদা লৈবাক অদুগী এথলেট মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা কার্ষ্টেন ৱারহোম মথন্তনা চেনবা মিটর ৩০০গী হর্দল লমজেল অদুদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।

মল্টি দিসিপ্লিন ইভেন্ট অদুদা ভাবক অমত্তা য়াওদনা ষ্টেদিয়ম অদুগী ষ্টেনদা কার্বোদতা ফোটো নমদুনা ভাবক লৈবা মালহনখি। মদুদা নোর্ৱেগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অদুদা মিটর ৩০০গী হর্দল লমজেল অদুদা অতোপ্পা কম্পিটিটর অমত্তা য়াওদনা মথন্তনা চেনখিবদা সেকেন্দ ৩৩.৭৮ চেন্দুনা কুমজা ২০০২দা বৃটেনগী এথলেট খৃস রোলিলেনসননা থমখিবা সেকেন্দ ৩৪.৪৮গী রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখিবনি।




ওর্গনাইজরশিংনা অনৌবা কম্পিটিসন অদু 'ইম্পোসিবল গেমস' হায়না মীংথোনখি। কম্পিটিসন অদুদা মিটর ১০০০গী লমজেলদা নোর্ৱেগী অতোপ্পা এথলেট ফিলিপ ইঙ্গেব্রক্সটেননা মিনট ২:১৬.৪৬তা ইভেন্ট অদু চেন্দুনা অনৌবা নোর্ৱেগী নেসনল রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

নুপাগী মিটর লিশীং ২গী লমজেলদা কেনিয়াগী ৱর্ল্ডগী ওইনা মিটর ১৫০০গী চেম্পিয়ন ওইরিবা টিমোটি সেরুয়োটসু নাইরোবি সিটিদা মথক্তা কম্পিটিসন্দা শরুক য়াখি। মদুদা য়ুরোপ টিম অমসুং টিম সেরুয়োট টিমগা লম্বা তৌনবদা য়ুরোপকী মায়কৈদগী নোর্ৱে মচা জেকবো ইঙ্গেব্রক্সটেননা মিনট ৪:৫০.০১দা অনৌবা য়ুরোপিয়ন রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা কেনিয়াগী টিম অদুবুসু মায়থীবা পীখি।

পোল ভোল্টকী লমদা স্বিদেনগী এথলেট মোন্দো দুপ্লান্টিস অমসুং ফ্রান্সকী রেনো লাভিলেনিনা মখোয় মখোয়গী মরমদমদা চোঙদুনা লম্বা তৌনবদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর ওইরিবা দুপ্লান্টিসনা মিটর ৫.৮৬ চোঙলগা লাভিলেনিগী মিটর ৫.৮১ অদু মায়থীবা পীখি। 'ইম্পোসিবল গেমস' হায়না মীংথোল্লিবা অসি হান্নগী কম্পিটিসনশিংদা য়াওদবা ইভেন্টশিং হাপচিনবদনি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা কোভিদ-১৯ রেগ্যুলেসন কোমথোক্লগনি, স্পোর্টস ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবক চঙহনবা য়াহনগদৌরি

মেলবোর্ন, জুন ১২ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাকশিন্ননবা থল্লমখিবা অথিংবশিং অদু মখা তানা কোমথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবক চঙহনবা য়াহনগদৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোরিসননা লাউথোকখিবা অসি য়ূমলোন্নরিবা লৈবাক ন্যুজিলেন্দদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সুপর রগবি ওটেরোৱা টুর্নামেন্টতা ভাবকশিং মীৎয়েং তাহনবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগা ইরোয়ননা ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবক চঙহনবা য়াহনগদৌরিবনি।



ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা মখা তাখিবদা জুলাই থাদগী লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা শান্নবগী ষ্টেদিয়মশিংদা লৈরিবা সিট কেপাসিটি অদুগী চাদা ২৫গী ভাবকশিং চঙহন্দুনা মেচশিং অদু য়েংহনবা য়াগদৌরিবনি।

মহাক্না পার্ড মীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মেলবোর্ন ক্রিকেট গ্রাউন্দ অমসুং এদলেট ওভেল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ভাবক মশীং লিশীং ৪০ চল্লিবা অসিগী চাদা ২৫ ওইদুনা য়ামদ্রবদা ভাবক লিশীং ১০ ষ্টেদিয়ম অদুদা পাঙথোকপা ইভেন্টশিং য়েংবা য়াহনগদৌরি।

চঙলক্কদৌরিবা ভাবকশিং অসি টিকেট য়াওগদবনি। লোয়ননা মখোয়দা ষ্টেদিয়মগী সিটশিং ফম্বা মতমদা সোসল দিষ্টেন্সিং লৈনা ফমগদবনি হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লোকদাউগী মতুংদা লৌখৎলকপা কোমথোকপগী থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ষ্টেদিয়মদা ভাবকশিং চঙহনবা য়াহনগদৌরি। থবকশিং অসি পায়খৎলকপদা ষ্টেদিয়ম অদু য়ৌনবা ভাবকশিংনা পব্লিক ত্রান্সপোর্টকী মতেং লৌরগা লাকপা অমসুং হনখিবা মতমদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ইন্নবা হোৎনবদা অৱাবা খরদি মায়োক্নগনি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা স্পোর্টসকী ইভেন্টশিংদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংবু শৌগৎপা লাক্কদৌরিবা টিম অদুগী ভাবকশিংনা ষ্টেদিয়মগী ময়ায় থংবা রোশিংদা ফম্লগা য়েংবা য়াহনগদৌরি। খ্বাইদগী মমাঙ অমসুং মনিং থংবা রোশিংদি অথিংবা থমগদৌরি।

মথং থাগী ৩দগী কেনবেরা ষ্টেদিয়ম অমসুং মেলবোর্নদা লৈবা এ এ এম আই পার্কতা হৌগদৌরিবা সুপর রগবি গেমশিং অদুগী টিমগী ভাবকশিংনা ষ্টেদিয়ম মনুংদা চঙলকপদা অথিংবা লৈরোইদৌরি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা মখা তারদুনা অচৌবা ষ্টেদিয়মদা ভাবকশিং অদু লৈঙাক্না পীরিবা কাঙলোনশিং অদু ইন্ননবা হোৎনবদা অৱাবা চাউনা মায়োক্নগদবা মরম্না মশীং খরা হন্থবা ষ্টেদিয়মশিংদা হায়রিবা ভাবক লিশীং ১০গী মনুংদা মীৎয়েং তাহনবগী অয়াবা পীখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী মার্চ থাগী ময়ায়দগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নবগী ইভেন্ট পূম্নমক থিংদুনা লাকখিবনি। লৈবাক অদুদা হৌজিক কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি কন্ত্রোল তৌবগী চাংদা লৈরবা মরমনা মী তিনবগী শরুক হন্থহন্দুনা শান্নবগী মরু ওইবা ইভেন্টশিং পাঙথোকপা হৌগদৌরিবনি।

ষ্টেদিয়মশিং অদুদা ভাবক লৈবা মান্ননবা কার্দবোটতা ভাবককী ফোটোশিং নপ্তুনা অমদি ব্রোদকাষ্টিং মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী ষ্টেদিয়মদা ভাবক য়াম্না তিনবগী মখোলশিং অদুসু থাদোক্কদৌরি।

থাংজ নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন ফুটবোল লীগকী ওইনা এদলেটতা শান্নগদৌরিবা পোট অমদি ক্রোসকী মেচ অদুদা ভাবক লিশীং ২দগী হেন্না মীৎয়েং তাবা য়াহল্লোইদৌরি। হায়রিবা ভাবক লিশীং ২গী মশীং অসি লৈবাক অসিদা সটদাউনগী মতুংদা পাঙথোরকপা স্পোর্টস ইভেন্টতা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না তিনবা স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ওইগদৌরি।

# চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল ষ্টেজকী মেচশিংগীদমক লিজবোন সিটিনা শেম-শাখ্রে

লিজবোন, জুন ১২ (এজেন্সী):
টর্কিগী কোনুং লিজবোননা য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল ষ্টেজশিংগী মেচশিং অদু য়ূম্বু ওইনবগীদমক শেম শাদুনা লৈখ্রে।

জর্মনিদা ফোঙবা পাউচে অমদা পীখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না চহী অসিগী ওগষ্ট ২২ নৎত্রগা ২৩দা চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল মেচ অদু শান্নগদৌরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ওইবা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা ভিদিও কনফরেন্স মীফমদা লৌরকপা ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না ওফিসল ওইবা ফিরেপ অমা লাউথোরক্কদৌরি।

চেম্পিয়ন্স লীগকী ওইনা হৌজিক ফাওবদা স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদ, ফ্রান্সকী সেরিস সেন্ট জর্মেন, জর্মনিগী আর বি লৈপজিগ অমসুং ইটালিগী অটলান্তা ফুটবোল ক্লব ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

অতোপ্পা ক্লব মরি অমসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবা অহানবা লেগকী মেচশিং শান্নবা লোইরগা অনীশুবা লেগকী মেচ অদু শান্নবা য়াদনা লীগ অসি চহী অসিগী মার্চ ময়ায় চনশিল্লকপদগী লেপখিবনি।

লেমহৌরিবা মেচশিং অদুদি ইটালিগী জুবেন্টস অমসুং ফ্রান্সকী লিওন, ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং স্পেনগী রিএল মাদ্রিদ, জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং ইংলেন্দগী চেলসি ক্লবলোয়ননা স্পেনগী বার্সেলোনা অমদি ইটালিগী নাপোলি ফুটবোল ক্লবনি।

পোলন্দগী সিটি গাংসতা য়ুরোপা লীগ ফাইনেল মেচশিং পাঙথোক্কদৌরি। থা অহুমরোম মতম মাঙখিবনা মরম ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল হৌরকপদগী মমাঙদা লৈরম্বা লেগ অনী শান্নবা অদু শেমদোক্লগা লেগ অমদা লোইশিনগদৌরি।

লিজবোন সিটিনা চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল ষ্টেজগী মেচশিং য়ূম্বু ওইবদা অৱাবা লৈরোই। লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বেনফিকাগী ভাবক লিশীং ৬৫ চনবা লুজ ষ্টেদিয়ম লৈরি। হায়রিবা ষ্টেদিয়ম অসিদা কুমজা ২০০৪ য়ুরোপিয়ন ফুটবোল ফাইনেল শান্নখি। লোয়ননা ২০১৪দা চেম্পিয়ন্স লীগ ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্না য়ূম্বু ওইখি।

# এ এফ আইগী প্রসিদেন্ট এদিল সুমারিৱালানা নরিন্দর বত্রবু শৌগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্র অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট সুধানসু মিটল অনীগী চয়েৎনবা লৈরিবা অদুগী মরক্তা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) গী প্রসিদেন্ট এদিল সুমারিৱালানা বত্রবু শৌগৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, মিটলনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট মীখলদা বত্রবু খনখিবা অদু অরানবা য়াওই হায়না চেইখ্রবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা সোমারিৱালানা ফোঙদোকখিবদা বত্রগী মায়কৈদগী অশোয়বা লৈখিদে। মিটলনা শীরক্লিবা মরাল অদু য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়খি।

মরক অসিদা, ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নরিন্দর বত্রগী মথক্তা মিটলনা শীরক্লিবা মরাল অদু অরানবনি। কুমজা ২০১৬তা নরিন্দর বত্রবু ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবা মীখল অদুদা অশোয়বা লৈখিদে হায়না ফেদরেসন অসিগী ইন্দিপেন্দেন্ট ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটকী চ্যেরমেন ৱেন স্নেলনা ফোঙদোরকখ্রে।

অমরোমদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেককী মায়কৈদগীদি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুধানসু মিটলনা ইখিবা চেরোল অদুগী পাউখুম হৌজিক ফাওবা পীরকপা লৈত্রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com